অফঘানিষ্টানগী হেরাট প্রোভিন্সকী সিয়াইট মোস্কতা বোম পোকখায়বদা মীওই ২৯ শিরে

ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী হেরাট প্রোভিন্সতা লৈবা সিয়াইট মুস্লিমশিংগী খ্বাইধগী চাউবা মোস্কতা সুইসাইদ বোম্মর অমনা লাই খুরুমদুনা লৈরম্বা মীয়ামদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লবা মতুংদা মশা মথন্তা বোম পোকখায়হন্দুনা শিজখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই ২৯ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক-অপন নংলে হায়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণরগী স্পোক্সমেন জলানি ফরহাদনা ফোঙদোকখি।

ফরহাদনা হায়খি, অশোকপা মীওই ১০ গী ফীভম লুনা লৈরিবা মরম্না অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংশিনখিবা হেরাটকী লোমেকর মেহদি হাদিদনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদা অশিবা অমদি অশোকপা মীওই ১০০ রোম তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মীওই কয়ানা মোস্কতা লাই খুরুম্লিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইবনা মীশি-মীনাগী চাং অসি ৱাংখিবনি।

হেরাট মেন হোস্পিটালদা ডা. মহমদ রাফিক সেহরজাইনা হায়খি, মদুদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা অশিবা হকচাং ২০ হোস্পিটালদা পুখৎলকখি।

লোকেল পুলিসকী স্পোক্সমেন অব্দুলহাই ৱালিজাদানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদু য়ামদ্রবদা অনীদগী হেল্লম্বা য়াই হায়রি। মীওই অমনা মোস্কতা চঙলক্তুনা লাই খুরুম্লম্বা মীয়ামদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লবা মতুংদা অতোপ্পা মীওই অমনা মশাদা লোয়নরকপা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকখিবনি।

অমরোমদা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনদি মোস্কতা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু কার বোম ওইরম্বা য়াই হায়রি। হৌজিক ফাওবদা অশোকপা মীওই ১০ মশক খঙবা ঙমলে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দেনিসনা কে এফ পিদা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবা অহিংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোরকখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, শেংলবা লাইশঙ অমদা মীচম মীয়াম্না লাই খুরুম্লিঙৈদা চথুরকখিবা টেররিষ্টকী ওইবা থবক থৌওংশিং অদু অকনব মওংদা কন্দেম তৌই।

অফঘানিষ্টানগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱা-অনা অমদি খুদোংচাদবশিংদা টর্কিনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়নসু মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

চাউরাক্লা মীওই মিলিয়ন ৩ লোম লৈবা মীশিং য়ামদবা সিয়াইট মুস্লিমশিংনা অফঘানিষ্টানগী সুনি মুস্লিমশিংবু মরাল শিরদুনা হায়খি, মদুদি মশিং য়াম্না কাঙলুপনা মশিং য়ামজদবা কাঙলুপপু ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রে।

হেরাটতা লৈবা সিয়াইট মুস্লিমশিংগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা মোস্ক ওইরিবা জৱাদিয়া মোস্কতা চথুরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জুন ১৫ দা কেপিটেল সিটি কাবুলদা লৈবা সিয়াইট মুস্লিমশিংগী মোস্ক অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবগা লোয়ননা সুইসাইদ এটেক অনীরক চথুরকপদা মীওই ৬ শিবা লৈখ্রবনি। জুন ৬ তা হেরাটকী জমা মসজিদ চঙফমদা ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইস পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকপদা মীওই ৮ শিখি।

হৌখিবা জুলাই থাদনা মী চিনবা সিয়াইট হজারাসতা বোম অনী পোকখায়খিবদা মীওই ৮৫ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৪০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। মীশিং য়ামজদবা কাঙলুপ্তা মতৌ অসুম্না হজিন-হজিন খুৎ থারকপগী মতাংদা সিয়াইট মুস্লিমশিংনা হেরাট প্রোভিন্সকী লন্মীশিংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ চৎনবা থৌরাং তৌরি।

এটেক চথুরকখিবা মোস্ক অমদু পুলিস ষ্টেসনদগী মিটর ১০০ রোমতমক লাপ্না লৈবা মফমদা লৈবনি। মতৌ অসুম্না মীশিং য়ামজদবা সিয়াইট ফুরুপকী মীওইশিংদা চথুরিবা থৌওং অসি খুদক্তা লেপহন্নবা লৈঙাক্লা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মতম চারে হায়না লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখি।

বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি

লাহোর, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী) :

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু সুপ্রিম কোর্টনা দিসক্বালিফাই তৌখিবদগী হাংদুনা লৈহৌরিবা নেসনল এসেমব্লিগী সীট মেনশিন্নবগীদমক সেপ্টেম্বর ১৭ তা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্থান (ঈ সী পি) না ফোঙদোকখ্রে।

ঈ সী পিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংনা ওগষ্ট ১০ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। ওগষ্ট ১৫ দগী ১৭ ফাওবা ঈ সী পিনা নোমিনেসন পেপরশিং রিভিয়ু তৌগদৌরি।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর শেহবাজ শরিফনা পি এম এল-এন অমসুং ডা. য়শমিন রসিদনা পাকিস্থান টেহরিক-ঈ-ইনসাফকী টিকেটতা মীখল থেংনরবা য়াই হায়না থাজনরি।

মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই অনীমক্লা ওগষ্ট ১০ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা নোমিনেসন ফাইল তৌবা য়াগনি হায়না ঈ সী পিনা ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টনা পানামাগেট কেসকী ৱায়েল পীরদুনা নৱাজ শরিফপু মখা তানা ফম পায়বা য়াররোই হায়না লাউথোকখিবদগী পি এম এল-এনগী লুচিংবা অসি প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

মদুগী মতুং ইকুই কুইদনা নৱাজ শরিফপু নেসনল এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবা য়াররোই হায়না ঈ সী পিনা অনৌবা নোটিফিকেসন অমা থোকখি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা টেহরিক-ঈ-ইনসাফকী মীরেপ য়শমিন রসিদতগী ভোট ৪০,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

লোস এঞ্জেলিসতা মীওই অমনা চাইনিজ কোন্সুলেটতা নোংমৈ কাপশিল্লন্নগা মথন্তা শিজখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, ওগষ্ট ০২ :

মীওই অমনা লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা চাইনিজ কোন্সুলেটতা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লন্নবা মতুংদা মশা মথন্তা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি, অয়ুক্কী পুং ৬ তাবদা কোন্সুলেটকী থোঙ হাংদ্রিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংহৌদ্রে।

লোস এঞ্জেলিস পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওফিসর মাইকেল লোপেজনা হায়খি, অঙনবা অয়ুক ওইবা মরম্না চাইনিজ কোন্সুলেটতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবগী থৌদোক্তুনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা শোকখিদবনি। এটেক চথুরল্লিবা মীওই অদু মশাগী কার মনুংদা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিরম্বা থেংনখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা চাইনিজ কোন্সুলেটনা হায়খি, মদুদি থোকখিবা থৌদোক অসি কা হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওই। হীরম অসিগা মরী লৈননা কোন্সুলেট অমদি মসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পুন্সি মপুং ফানা ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

ওথোরিটিশিংনা এটেক চথুরল্লিবা মীওই অদু কনানো হায়বা চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। চাইনাগী ষ্টেটনা চলাইবা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, মদুদি কোন্সুলেটতা নোংমৈ কাপশিল্লমখিবা মীওই অদু অঙাংনি অমসুং মশাগী চহী ২০ য়ৌদ্রি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙল্লে।

কুমজা ২০১১ দসু য়ু এস সিটিজেন অমনা কম্ম্যুনিষ্টকা মরী লৈনবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লবা মতুংদা থৌদোক থোকফমদগী পুলিসকা খুৎলায় খরা পায়খৎপা ঙমখি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ/DOCUMENT LOST

I have lost my Admit Card, Marksheet cum Original Certificate of HSLC Examination bearing Roll No. 34930 of 2017 issued by BOSEM on the way between Moirangkhom and Council of Hr. Secondary Education, Manipur on 27/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Nongmaithem
Bedana Devi
Thoubal
Ningombam, ☎ 9862367796

HL-P/2415/3

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER : IMPHAL EAST-II

Ref:- Mut. Case No. 181/AS&SO/IE-II/ 2017

Smt. Nemcha Kipgen w/o (L) Lunkhomang Chongloi of Langol.
-Vs-
(Late) Lunkhomang Chongloi s/o (L) Thankhosan of Langol.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Date 02/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নম্বর ৯১-মৈতৈ লাঙ্গোল লৈকায়গী পাট্টা নং অরিবা ২৭৪, অনৌবা পাট্টা নং ৫৭১/৭৬৭, দাগ নং ১০৬৫/১৫৩৪ এরিয়া ০.০৩৬৪ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ১০-০৮-২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা তাররোই।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer, Imphal East-II.**

HL-P/2418/ 3

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER : IMPHAL EAST-II

Ref:- Mut. Case No. 182/AS&SO/IE-II/ 2017

Shamurailatpam Manisana Sharma s/o (L) Shamurailatpam Amubi Sharma of Nongmeibung Khanglabung.
-Vs-
(Late) Shamurailatpam Pishak Sharma s/o (L) Tonjao Sharma of Nongmeibung.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Date 02/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নম্বর ২৬-ৱাঙ্খোরাকপম লৈকায়গী পাট্টা নং ৫২(অরিবা), অনৌবা পাট্টা নং ১৮১/৪২৮ দাগ নং ৩১/৫৯৯ এরিয়া ০.০৭২৩২ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ১০-০৮-২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা তাররোই।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer, Imphal East-II.**

HL-P/2418/ 3

ꯌꯦꯛ ꯷ ꯀꯤ ꯃꯩꯇꯩ/ꯃꯤꯇꯩꯗ ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ
য়েক ৭ কী মৈতৈ/মীতৈদা খঙহঞ্জবা

হৌখিবা জুলাইগী তাং ১৬ নোংমাইজিং নুমিৎ, ইঙেনগী ২২ নি পানবা য়াইফরবা পুংফম অয়ুক পুং ১০ তাবদা **MMRC & Unity Park, Khangabok** তা মীতৈ লূপকী তোঙান-তোঙানবা পুকোক কয়াগা পুন্দুনা মীতৈ ঐখোয়সে অমত্তনি হায়বগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা ময়াম পুন্না অমত্তা ওইনা য়ানদুনা মখাদা পীজরিবা ৱারেপশিং অসি লৌখি।

ৱারেপ নম্বর ১ : লাইনিংহল ফুন্দ্রে (ফুল্লো) বু মীতৈগী লাইনিংহলগী (**Prophet**) হায়দুনা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

ৱারেপ নম্বর ২ : মীতৈ ফুরুপ ঙাক শেন্নবগীদমক করিগুম্বা মরম অমদা হেক্তা ঙাক্লৌ পীবা ঙম্বা লূপ অমা শেমখ্রে। লূপকী মমিং **"মীতৈ ঈনাৎ শক্তম কনবা লূপ"** অমসুং হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা লূপ অসিগী **Chairman** ইনিংথৌ **লৈশেম্বা সনাজাওবা** অমদি **Kh. Menjor Mangang** বু **Convenor** ওইনা খনখ্রে।

মসিগী মখা তাবা অনীরকশুবা ওইনা থৌ পুবা খনবগী মীফম অমা লাক্লিবা ওগষ্টকী তাং ৬ নোংমাইজিং নুমিৎ, থৱানগী ১৪ নি পানবা নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ১১ তাবদা **Kangla Uttra** দা পাঙথোকচগনি। থৌরম অসিদা মীতৈগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াবীনবা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা :
Kh. Menjor Mangang,
Convenor
Meetei Inat Saktam Kanba Lup

HL-P/2416/3

ꯊꯤꯌꯦꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯤꯜꯝ/Theatre অমদি Film Acting Training Course পাঙথোক্কনি

লাক্লিবা তাং ১৫/৮/২০১৭ ইংদগী হৌরগা তাং ২৯/৮/২০১৭ ইং ফাওবা Theatre অমদি Film Acting Training Course অমা Khenjonglang না শিঞ্জরি। হায়রিবা Training Course অসিদা Theatre অমদি Film দা নৌনা খোঙদাবা পাম্বা মীওইশিংনা য়াওবীবা য়াগনি। লাক্লিবা তাং ১৫/৮/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা Khenjonglang গী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙবীরবা অমদি Entry Form লৌবীরবা য়াগনি।

Office Hour : 8:00 a.m. to 11:00 a.m.
Contact No. : 9856353948, 7005730389

***Sd/-* Dr. S. Thaninleima**
Director - Khenjonglang
Add. : Awaching, Keirao Bitra Khunou,
Irilbung, Imphal East.

HL-P/2408/3

[illegible]

HELPINGHAND GROUP

Rs.4,00,000/- (4 Lakh)

Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -

Half Monthly (*2wise Draw in a month*)

1. **Per Draw Amnt. Rs.1000/- @ *Lottery WINNER* Rs. 4 Lakh.**
2. **Per Draw Amnt. Rs. 500/- @ *Lottery WINNER* Rs. 2 Lakh.**

Few Shares are remaining - Join till 5th August 2017

অপীকপা শেন্দোইদা **GROUP** *শোনসু পীজরি, লৌবীয়ু*

HelpingHand Finance Service (Office hrs. 10 pm - 5pm) Please Visit Office.
(Govt. Registered) *Head office:* Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4052/2 to 11

Govt. Regd. No. 2808/Estd. on 2013

[illegible]/JOB VACANCY

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Security, Ex-Serviceman, Supervisor	40		6000-15000
2.	M.B.A./Agent	08		10000-15000
3.	Recovery Officer/ Reception	10	X/Above	5000-10000
4.	Computer Operator, Driver	13	X/Above	5000-8000
5.	Attendant/House Keeping, GNM, B.Sc. Nursing, Lab Tech.	03		Negotiable
6.	Air Hostess/Flight Steward/ Ground Staff/Air Ticketing	18	XII/Graduate	20000-50000
7.	Agent	10		Negotiable
8.	G.P. Rating/Deck Cadet.	20	X and Above	50000-100000

♦ FIRST COMES FIRST SERVE

Date of Submission : 16/8/2017 **Date of Interview : 17/8/2017**

***Call :* 1. 7422978155 2. 8258993369**

Sd/- Manager,
Job Helpline and Counselling

HL-P/0666/29,31,2to14 Aug.

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওজা জিয়া উল-হকপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা নাদুনা সৌজ নাম্বা, নাম্বা সৌজ অদু অমুক হনগৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, হকচাং চোকথবা, পুক য়াম্না য়েক্লগা পুক ময়াদা মিহুন চোংবগুম তৌবা, তুম্বা য়াদবা, ফম্বী ৱাংপা, খোঙ হাম্বা লিকপা, থা ৭ মুক্কী মনুংদা অমাঙথোংদা য়াম্না চাউনা পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ফিষ্টুলাদা মখুল ২/৩ হুৎলে হায়দুনা ওপরেসন তৌরুবা মতুংদা অমুক অতোপ্পদা মখুল ২/৩ হুৎলকপা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মতম চূপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়জরি। মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।



লায়েংফম ঃ 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekrupat, Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday Open).

থাগৎচরিবা : **N. NABAKESHOR**
Nambol.

HL-P/2290/24/7-23/8

[illegible]/ রিটয়ার্দ গ্রেজুয়েট ওজাশিংগী জেনরেল মীফম

ফুল ফ্লেজেট গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা গ্রেজুয়েট ওজা ওইনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা হৌখিবা চহী ২০১০ ইংগী নবেম্বর থাদগী রিটয়ার্দ তৌদুনা হৌজিক ফাওবদা পেন্সন ফংবীরক্লবা/ফংবীরক্লবীশিংগী ওইবা জেনরেল মীফম অমা লাক্লিবা ওগষ্টকী তাং ৬, ২০১৭ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা "দি মৈতৈ ময়েক হায় স্কুল" কোংবা, ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকচগনি। মীফম অসিদা গ্রেজুয়েট ওজাশিং (আর্টস/সাইন্স/হিন্দী/হোম সাইন্স) না ইশা-ইশাগী এ জি ওফিসতগী পীরকপা ১) পে-স্কেল য়াওবা চেনা অদুগা ২) রিটয়রমেন্ট ওর্দর অদুগা পুবীরক্লবা হায়জরি। মসি অৱাৎপা পে-স্কেল হাপহৌনবগীদমক্লি। নুমিৎতুদা ইশা-ইশাগী বাইও-দাটাগী ফোর্ম অমসু পীজদুনা অহানবা ফেজগী লিষ্ট অমসু শেমহৌগনি।

Contact Nos. : 70858-25423, 90777-95723, 8575-012803

হায়জরিবা/হায়জরিবীশিং :

১। নাওরেম দেবানন্দ, কৈশামথোং। ২। ক্ষেত্রিময়ুম ইবোমচা, শিংজমৈ।
৩। লুক্রাম শরত , থোংজু। ৪। ঙাঙোম তোম্বা, নম্বোল।
৫। কে ঐচ বিমোলা, খুরাই। ৬। এল ইবেমহল, কোংবা।
৭। এস ইবেতোন, থাংমৈবন্দ।

HL-P/2421/3

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, খোঙ হামদোকখ্রগা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা লৈবা, পুক নুংঙাইতবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি

ঐ মতম শাংনা গ্যাষ্ট্রিক্লা য়াম্না কন্না নাদুনা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা-থকপদা তুমদবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্লিং হাম্লিং তৌবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পুক নুংঙাইতবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মসল নাবা, মিহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবা : **Waikhom Sunibala Chanu**
Potsangbam Khullen

HL-P/1968/3

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/Dr. Y. Nabachandra Singh বু Director, Environment ওইনা হাপ্পীরকপগীদমক থাগৎচরি

Directorate of Environment, Manipur দা Director ওইনা থৌ পুবীরম্বা অমদি অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা Dr. M. Homeshwor Singh না থবক্কী মতম লোইরদুনা হৌখিবা জুলাইগী তাং ৩১,২০১৭ ইংদা Retirement Order পীখ্রবা মতুংদা Directorate অসিবু মপুং ফানা মখা তানা থবক তৌহন্নবগীদমক য়াম্না Sincere ওইবা অমসুং Experience লৈরবা ওফিসর অমা ওইরিবা Dr. Y. Nabachandra Singh বু Director-in-charge, Environment ওইনা ওগষ্টকী তাং ১,২০১৭ ইংদা হাপ্পীরকপগীদমক Directorate of Environment Employees Welfare Association না তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা Manipur Government পু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

Sd/-
1. Th. Alex Singh, President, Employees Welfare Assn, Directorate of Env., Manipur
2. S. Jayentakumar Singh, Gen. Secretary, -do-

HL-P/2417/3

ꯄꯥꯏꯂꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯥꯁꯤꯡ ꯐꯍꯟꯕ ꯀꯕꯤꯔꯥꯖꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

Pileগী লায়নাশিং ফহনবা কবিরাজবু থাগৎচরি

H. UMAR ANSHARI

Contact No. 8575765783/8258815243

ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ য়াওরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা চঙলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খ্বাঙ নাদুনা তৌরম্বা অদু মণিপুরগী মফম খূদিং চৎতুনা কয়া অমসু তানজরুরে। কান্নবা ইরে লৈতদুনা, অরোইবদা কবিরাজ **H. UMAR ANSHARI, 8575765783/8258815243** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা উমর অন্সারিবু মতম চূপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম : Lilong Lamkhai, Near Petrol Pump, Thoubal Dist, Manipur.
মতম : অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা।

থাগৎচরিবা : **Thoudam Boby Singh**
Bishnupur

HL-P/2220/3

[illegible]/WANTED

Urgently require for a reputed Company for the below mention Post.

Sl.	Post	Qualification	Age	Experience	Salary
1.	DSR (2 Post)	Graduate with Computer Skills	25-30 yrs	Min 2-3 yrs. of Sales	5000-10000
2.	ISR (1 Post)	Graduate with Computer Skills	25-30 yrs	Min. 2-3 yrs. of Sales	13250-20000

◆ Knowledge of English & Hindi who can speak fluently is preferred.
◆ Kindly submit your Resume/CV on or before 5th Aug, 2017 at the address mentioned below.

Address : **THOUNAOJAM MANSION**
Thangal Bazar, Imphal West, Manipur.

E-mail id : thounaojamenterprise@gmail.com
Contact No. : 9862275414/8794206130

HL-P/2125/2&3

FREE 3 (THREE) MONTHS TRAINING COURSE (100% JOB ASSISTANCE)

Sl.	Course Available	Qualification	Ages
1.	LADC Lab Assistant at Diagnostic Centre	Graduate	18-35yrs.
2.	W.D. Web Designing	Graduate	-do-
3.	Tourism & Hospitality	XII Above	-do-
4.	RAC Refrigerator & A C Repair	X Passed	-do-
5.	Electrician	X Passed	-do-

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMAN & FRESHERS

Sl.	Name of Post	Ages	Salary
1.	Security Guard	Upto 50 yrs.	13,000 & Above
2.	Security Supervisor/Gun Man	-do-	14,500 & Above
3.	Security Officer/Assistant Security Officer	-do-	16,000 & Above
4.	Training Instructor	-do-	18,000 & 30,000
5.	Driver	-do-	13,000 & Above

MULTIPLE JOB VACANCIES

Sl.	Name of Post	Qualification	Salary
1.	Lab Tech/GNM/BSc. Nursing		Negotiable
2.	Attendant/Receptionist	X & XII & Above	5,000/7000
3.	House Keeping/Cook/Driver	VIII & Above	5,000/6000
4.	Security Guard/Security Supervisor	VIII,XII & Ex-Man	5,000/7000
5.	Manager/Asst. Manager	XII & Graduate	7000 & Above

LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 14/08/2017
INTERVIEW DATE : 16/08/2017
OFFICE HOUR : 9:30 a.m. to 4:00 p.m.

For Details Please Contact :
# : 7424017313, 8794829055

LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal

HL-P/2126/3-10 Aug.